# দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপা হেঙ্গিল্লকপদগী অমুক হন্না ওদ ইভন স্কিম চৎনহনগদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকপদগী ওথোরিটিশিংনা দীজল জেনরেটর শীজিন্নবা থিংখ্রে।

এয়র পোল্যুসনগী থৌওং য়েংশিল্লিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী এজেন্সী এস এ এফ এ আরনা হায়খি মদুদি, হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবতা চরু মৈ থাবা অমসুং ঘাজিপুরদা হন্দক মৈ চাকখিবগী থৌওংনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলকখিবনি। করিগুম্বা কেপিটেল সিটিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং মখা তানা হেনগৎলকপা তারবদি ইনভাইরোনমেন্ট প্রোটেক্সন (প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল) ওথোরিটি (ঈ পি সী এ)না অমুক হন্না ওদ ইভনগী স্কিম চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই।





চৈরকসিদা, ওথোরিটিশিংনা বদরপুর পাৱর প্লান্ট থোঙ লোলহনখিবগা লোয়ননা মার্চ ১৫ ফাওবা দীজল জেনরেটর শীজিন্নবা থিংজিনখ্রে। গ্রেদেদ রেস্পোন্স এক্সন প্লান্ট (জি আর এ পি)গী শরুক অমা ওইনা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। অদুম ওইনমক হোস্পিটাল অমসুং মেট্রো সার্বিসতদি অথিংবা অসি চৎনরোই হায়রি।

জি আর এ পিগী মখাদা পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা গাড়ী মপুশিংদগী শরুক মরি হেন্না পার্কিং ফী লৌবা ঙমই। মরম চাদনা গাড়ী থৌদোরকপা থিংনবগী পান্দমদা গাড়ী থৌরিবা মীওইশিংদগী শরুক মরি হেন্না পার্কিং ফী লৌরকপা য়াই হায়রি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হস্তহন্নবগীদমক সুপ্রিম কোর্টনা দিল্লিদা বম্বুলা য়োনবা থিংনবা ৱায়েল পীখ্রবনি। মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা এপেক্স কোর্টনা নেসনল এয়র ক্বালিটি ইন্দেক্সকী মতুং ইন্না জি আর এ পি ইমপ্লিমেন্ট তৌরগা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হস্তহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না দিল্লি গভর্ণমেন্টতা খঙহনখি। ইনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্ট্রিনা থৌরাং অসি হৌখিবা জন্যুৱারী ১৭তা লাউথোকখিবনি।

মমাঙ চহীদা দিল্লিগী নুংশিৎ কা হেন্না মোৎশিল্লকপদগী ওদ ইভন স্কিম চৎনহন্দুনা এয়র পোল্যুসন থোকপা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখি। থৌরাং অসিগী মখাদা তুমা শুবা নম্বর থাবা গাড়ীশিং নোংমদা চেনহল্লগা অতোপ্পা নুমিৎ অমদনা তুমা শুদবা নম্বর থাবা গাড়ীশিং চেলহনখি। অদুম ওইনমক দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হস্তহনবা ঙমখিদে।

হন্দক মরক নিংথম থা চঙলকপগা ইরোয়ননা দিল্লিদা কা হেনবা মওংদা নুংশিৎ মোৎশিল্লকপদগী ওথোরিটিশিংনা ওদ ইভন স্কিম অমুক হন্না চৎহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# হিমাচল প্রদেশকী মীখল : বি জে পিগী মীরেপ ৬৮গী মিং লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

দিৱালি পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না হিমাচল প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৬৮গী মিং লাউথোকখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিসনগী নোটিফিকেসন মতুং ইন্না নবেম্বর ৯দা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ৯দা ভোট মশীং থিনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম কুমার ধুমালনা সুদনপুরদগী মীরেপ ওইরগনি। প্রমোদ শর্মানা শিম্লা রুরেলদা অমসুং রতন সিংহ পালনা আরকিদা মীরেপ ওইরগনি হায়রি।

চীংগী ষ্টেট অসিদা বিরভদ্র সিংহনা লূচিংবা কোংগ্রেসনা মমাঙগী এসেমব্লি ইলেক্সন্দা মায় পাকখি। হন্দক্কী মতাং অসিদা বি জে পিনা ষ্টেট অসিদা লৈঙাক পায়নবগীদমক অকনবা থৌরাং লৌখৎপা হোৎনরি। অদুম ওইনমক পার্টি অসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই হৌজিক ফাওবা লাউথোরকপা লৈত্রি।

বি জে পিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং পার্টি প্রসিদেন্ট অমিত শাহগী মতেং লৌরগা মীখলদা মায় পাক্লবা হোৎনরি।

ঙসি লাউথোকখিবা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মমিংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর প্রেম কুমার ধুমাল অমসুং হিমাচল প্রদেশ বি জে পিগী প্রসিদেন্ট সতপাল সিংহ য়াওরি। বি জে পিনা ষ্টেট অসিগী এসেমব্লি



কন্সটিটুয়েন্সী ৬৮ মক্তা মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোকখিবগী মনুংদা অনিল শর্মা য়াওরি। কোংগ্রেসকী লূচিংবা সুখরামগী মচানুপাসু হন্দক্তা পার্টি থাদোক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবদা ঙাইরিবনি।

অনীরক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইখিবগা লোয়ননা হিমাচল প্রদেশতা বি জে পিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ধুমালনা হমিরপুরগী মহুত্তা সুদনপুরদা ওইনা মীরেপ ওইনা ফিরেপ লৌখি। করিগুম্বা বি জে পিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা মায় পাক্লকপা থোক্লবদি ধুমাল নৎত্রগা যুনিয়ন মিনিষ্টর জে পি নদানা ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরবা য়াই হায়না থাজনরি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা মীওই অহুমগী কম্মিটি অমা শেমদুনা লাক্কদৌরিবা হিমাচল প্রদেশ এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ থাগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

কম্মিটি অসিনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী ৬৮ মক্তা মীরেপ ওইগদবশিংগী মতাংদা থিগৎপগা লোয়ননা মীরেপকী মিং স্ক্রিনিং কম্মিটিদা লানখৎকদৌরি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা শগোনশেল নুমিত্তা ইলেক্সন কম্মিসন্না হিমাচল প্রদেশকী মীখল নবেম্বর ৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। শুপ্নগী তাঙ্কক অমখত্তা মীখল পাঙথোক্লগা দিসেম্বর ১৮দা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি হায়রি। মীরেপ ওইগদবশিংনা ওক্টোবর ১৬তগী ২৩ ফাওবদা মীরেপ চে পীশিনগদবনি।

# পাকিষ্টাননা সিজ ফায়রগী কাঙলোন থুগাইদুনা রাজোরি, পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে



জম্মু, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

পাকিষ্টানগী লান্মীশিংনা ঙসি সিজ ফায়র থুগাইদুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রাজোরি অমসুং পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখ্রে।

রাজোরিগী মঞ্জাককোট মনুং চন্না লৈবা ধার অমসুং কঙ্গালি এরিয়াদা নোংমৈ কাপ-শিল্লকখিবনি হায়রি। ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনসু খুৎ হন্দুনা পাকিষ্টানলোমদা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিনখি। হৌজিকসু ঙাইহাক ঙাইহাক কান্নরগা নাকল অনী নোংমৈ কাপ্লবগী থৌদোক থোক্লি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা ষ্টেট পুলিসনা হায়খি, ঙসি অয়ুক পাকিষ্টান্না ধাবি, নিজোত অমসুং বাসোনিদা লৈবা বোর্দর পোষ্টশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। বলাকোটতা পাকিষ্টান্না ঙমখৈ লান্না নোংমৈ কাপশিল্লকপদা কার কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকখি।

চৈরকসিদা, জম্মু এন্দ কাশ্মীর গভর্ণমেন্টনা ঙমখৈ মনাক নক্লা লৈবা স্কুলশিং ছুটি থাদোকখ্রে।

ওক্টোবর ১৩দা পাকিষ্টান আর্মিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অমসু লৈখ্রে।

পাকিষ্টান্না এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা কৃষ্ণঘাতি সেক্টরদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী ইন্দিয়ানসু খুৎহন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লখি হায়না দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা এল ও সী মনাক্তা পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা আর্মি জৱান অমা অমসুং মীচম অমা শিবগী থৌদোক লৈখ্রবনি। এল ও সীগী কৃষ্ণঘাতি সেক্টরদা পাকিষ্টান আর্মিনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। ইন্দিয়ন আর্মিনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখিবগা লোয়ননা নাকল অনী খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা আর্মি জৱান অমগা মীচম অমগা শিখি হায়না দিফেন্সকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

# রোহিঞ্জা মুস্লিমশিং চঙলক্তনবা বি এস এফনা বাংলাদেশকা লোন্নবা ঙমখৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

অগর্টালা, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

রোহিঞ্জা মুস্লিমশিং চঙলকপা থিংনবগীদমক বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না কিলোমিটর ৮৫৬ শাংবা ত্রিপুরাগী ইন্দো-বাংলা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

বি এস এফকী ইন্সপেক্টর জেনরেল (ত্রিপুরা ফ্রন্টিয়র) এস আর ওঝানা পাউমীশিংদা হায়খি, রোহিঞ্জা মুস্লিম ঙমখৈ লানশিন্দুনা চঙলক্কদৌরে হায়বা পাউ অমা ফংবদগী ঙমখৈদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবনি। মমাঙদসু ফুরুপ অসিগী মীওই কয়া ঙমখৈ লানশিল্লকপা লৈখ্রবনি।

হন্দক্তা ম্যান্মারগী রাখিন ষ্টেটতা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা রোহিঞ্জা অমফাওবা ত্রিপুরাদা চঙলকপা ঙমখিদ্রি হায়না বি এস এফকী আই জিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্লা হায়খি, ঙমখৈ ঙাকপদা থৱায় থাখ্রবা বি এস এফ জৱানশিংবু নীংশিংবা ওইনা



ওক্টোবর ২২দা ত্রিপুরা ফ্রন্টিয়রনা লমজেল অমা পাঙথোক্লগনি। বি এস এফনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা হাল্ফ মরাথোন অসিদা ত্রিপুরাগী শক্লাইরবা মীওইশিং অমসুং শান্নরোয় কয়ামরুম শরুক য়াগনি হায়না ওঝানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রিপোর্ট অমনা হায়খি মদুদি, অৱাংথংবা ম্যান্মারগী রাখিন ষ্টেটতা ম্যান্মারগী লান্মীশিংনা রোহিঞ্জা খুঞ্জা চা কয়ামরুম হাৎখ্রে।

ময়ুম মকে থাদোক্তুনা চেন্থোরকখ্রবা ফুরুপ অসিগী নুপী অমদি অঙাং য়াওনা মীওই চা কয়ামরুমদা আর্মি অমসুং পুলিস ওফিসারশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই কয়া শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক-অপন নংখি।

যুল্লোন্নবা লৈবাক্তগী মিজোরামদা রোহিঞ্জা মুস্লিমশিং চঙলকপা ঙমহন্দ-নবগী পান্দমদা ম্যান্মারগী লোন্নবা ষ্টেট অসিগী ঙমখৈদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রে।

মিজোরাম অমদি ম্যান্মারগী লোন্নবা ঙমখৈদা অসাম রাইফলসকী কম্পেনি নিপান থাজিন্দুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

আইজোল, সেরচিপ অমদি লুংলৈদগী অসাম রাইফলসকী কম্পেনি অমমম থারকখিবগা লোয়ননা অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদগী অতোপ্পা কম্পেনি মঙা থাজিল্লকখি। রোহিঞ্জা মুস্লিমশিংনা খুন্দারিবা ম্যান্মারগী রাখিন ষ্টেট অসি মিজোরামদগী কা হেন্না লাপ্পা মরম্না ষ্টেট অসিদা রোহিঞ্জা রেফ্যুজিশিং চেনশিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে হায়না পুলিস ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা রোহিঞ্জা অমত্তা ষ্টেট অসিদা চঙলকখিবগী রিপোর্ট লৈতে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা রোহিঞ্জা রেফ্যুজি পুম্নমক লৈবাক অসিদগী হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি।

# নির্মালা সিতারমনন অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দদা লান্মীশিংগা লোয়ননা দিৱালি পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলাল সিতারমননা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী য়াম্না মরুওইবা ট্রাই-সার্বিস কম্মান্দদা লান্মীশিংগা লোয়ননা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।



রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী ট্রাই-সার্বিস কম্মান্দ এরিয়াদা দিফেন্স মিনিষ্টর লাকপা মতমদা লান্মীশিংনা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং কুপ্প া য়েংশিনগনি হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, সিতারমননা নুমিৎ নীনি লৈদুনা লান্মীশিং অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা দিৱালি পাঙথোক্লবা শেম-শাবা লোইরে।

সিতারমননা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা ট্রাই-সার্বিসেস কম্মান্দদা লৈরিঙৈদা সেল্যুলর জেলগী স্বাতন্ত্র জ্যোতি অমসুং কার নিকোবরগী সুনামি মেমোরিএলদা লৈ কত্তুনা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎকদৌরি।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা দিফেন্সকী বেজশিংদা চত্তুনা ফীভম য়েংশিনখ্রবা দিফেন্স মিনিষ্টরনা আর্মদ ফোর্সেস অহুম পুনশিলহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা ৫গী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা ওক্টোবর ২০দা উত্তরখন্দগী কেদরনাথ শ্রাইন্দা চত্তুনা মফম অদুদা মথৌ তৌরিবা লান্মীশিংগা লোয়ননা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈদা চত্তুনা ইন্দিয়া আর্মি অমসুং ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)গী জৱানশিংগা লোয়ননা দিৱালিগী থৌরম পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌরে হায়না সোর্স অমনা ফোঙদোকখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা মফম অদুদা লৈরিঙৈদা লাইশঙ ঙাক শেন্নবগী থৌরাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গদৌরি।

মিদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৩দা ঈশিং থুমজিনখিবা কেদরনাথ শ্রাইন্দা অমুক হন্না খুদোংথিবা নংহন্দনবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎলগনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদু খুদোংথিবা থোকহন্দবগী পান্দমদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিত শাহনা উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর ত্রিবেন্দ্র সিংহ রাৱত অমদি নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মাউন্টেনিয়ারিংগী মকোক কর্নেল অজয় কোথিয়াল য়াওনা মীওই কয়াগা উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি।

## মফম চানা গাড়ী খাম্নবা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা তোংবা হিগোক মচুগী ৱেগন আর মাঙবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লেফটনেন্ট গভর্নর অনিল বাইজালনা মফম চানা গাড়ী খাম্নবা খঙহনখ্রে।

দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নরনা হায়খি মদুদি, পুলিস পার্সনেলশিংনা গাড়ী খুদিংমক মফম চানা খামহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাংদা চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা শৌগৎফম থোকই।

দিল্লিদা হন্দক মরক কার হুরানবগী থৌদোক তোয়না থোকপগী মতাংদা কেজ্রিৱালনা লেফটনেন্ট গভর্নরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, ওক্টোবর ১২দা কেজ্রিৱালগী ৱেগন আর কার অদু দিল্লি সেক্রেটেরিয়েট মনাক্তা খাল্লম্বদগী মফম খঙদনা মাঙখিবনি। নুমিৎ নীনি লৈরগা মাঙখ্রবা কার অদু ঘাজিবাদতগী ফংবা ঙমখি।

গভর্নরদা পীশিনখিবা চেরোল অমদা কেজ্রিৱালনা হায়খিবনি মদুদি, দিল্লিদা গাড়ী মাঙবগী থৌদোক তোয়না থোক্লিবসি মতম চানা থিংনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

## দিৱালি মমাঙদা দিল্লি পুলিসনা বম্বুলা কে জি ১,২০০গা লোয়ননা মীওই ২৯ ফাখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না দিল্লি পুলিসনা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বম্বুলা কে জি ১,২০০গা লোয়ননা মীওই ২৯ ফাখ্রে।

দিল্লি পুলিসকী স্পোক্সপার্সন মধুর বর্মানা হায়খি, দিল্লিদা লৈরিবা বম্বুলা য়োনফম অয়াম্বা থোঙ লোলহনখি। অদুম ওইনমক অরোনবা মওংদা সুপ্রিম কোর্টপু শীংনরদুনা মফম কয়াদা বম্বুলা য়োনবগী থৌওং চথরকপা থেংনরে।

সদর বজার অমসুং লাহোরি গেট এরিয়াদগী বম্বুলা য়োনবা মীওই মঙা ফারবা মতুংদা লোন্না বম্বুলা য়োল্লম্বা মীওইশিং ফাগৎনবা পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা য়াথং পীখ্রে।

দিৱালিগী মাঙওইননা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা বম্বুলা অমসুং মৈকাপ্পী য়োনবা নবেম্বর ১ ফাওবা থিংলে হায়না ওক্টোবর ৯দা সুপ্রিম কোর্টনা লাউথোকখ্রবনি। ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহনবগা লোয়ননা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী দিৱালি মমাঙদা সুপ্রিম কোর্টনা অথিংবা অসি থমখিবনি।

মমাঙ চহীদসু এপেক্স কোর্টনা ন্যু দিল্লিদা বম্বুলা অমদি মৈকাপ্পী য়োন্নবগী লাইসেন্স পূম্নমক দিৱালি মতমদা সস্পেন্দ তৌখি।

অর্জুন গোপাল কৌবা মীওই অমনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা জষ্টিস এ কে সিক্রি, জষ্টিস অভয় মনোহর সাপ্রে অমসুং জষ্টিস অশোক ভুষণগী বেঞ্চনা ওক্টোবর ৬তা কোর্টকী ৱায়েল রিজার্ব তৌদুনা থমখিবনি।

মমাঙ চহীদা দিৱালি মতুংগী নোংঙানবদা অমম্বা লৈচিল নোংফাই থাংবগা লোয়ননা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি। মতমদুদা দিল্লিগী নুংশিৎ কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখি।


### [illegible]/উপ-প্রধান খল্লে

হৌখিবা তাং ১৭/১০/২০১৭ ইং, লৈপাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা লংথবাল নিঙোম্বম গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান খনবগী মতাংদা ৱার্দ মেম্বরশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা **শ্রীথৌদাম রঘুমনি সিংহবু** ৱার্দ মেম্বর মরিনা য়েৎনবা লৈতনা উপ-প্রধান খল্লে হায়না মত অমত্তা ওইনা য়ানরে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মেম্বরশিংদি :-



| | |
|---|---|
| 1. Thoudam Raghumani (Raghu) Singh | Ward no. 2 |
| 2. Sorokhaibam Tombi Devi | Ward no. 4 |
| 3. Pukhrambam Sainishkumar Singh | Ward no. 3 |
| 4. Chongtham Opendro Singh | Ward no. 7 |
| 5. Angom Sumita Devi | Ward no. 5 |

HL-P/4643/19


**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER /VIII**
**Government of Manipur**

*Ref:- Mut. Case No. 630/A.S&S.O/VIII Dated : 17/10/2017*

Akoijam Bojen Singh S/o (Late) Ak. Ibobi Singh of Thoubal Awang Leikai.
-Petitioner

-Vs-

(Late) Akoijam Ibobi Singh S/o (Late) Akoijam Ram Singh of Thoubal Awang Leikai.
-O.P.P.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Dt. 17/10/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ২৮-থৌবাল অচৌবা, পাট্টা নং ২২ (অরিবা) ৪৬ (অনৌবা), দাগ নং ৩৬, এরিয়া ০.০৮৫৯ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নম্বর ১। অকোইজম ইবোবী সিংহ মৃত: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃত পাট্টাদার ইপাগী মমীং কল্লগা কো-পট্টাদার ২। গী মমীংদা পুন্না নামা পানবীয়ু হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌবীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন অমত্তা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Th. Shantikeshwar Singh**
Assistent Survey & Settlement Officer/VIII

HL-P/4642/19

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY AND SETTLEMENT OFFICER/VIII/TBL**
**Government of Manipur**

*Ref:- Mut. Case No. 625/A.S&S.O/VIII Dated : 17/10/2017*

Wangkhem Ranjit Singh S/o W. Bheigha Singh of Athokpam Makha Leikai.
-Petitioner

-Vs-

(Late) Wangkhem Memma Devi W/o (L) Tomba Singh of Athokpam Makha Leikai.
-O.P.P.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Dt. 17/10/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৩২-অথোকপম, পাট্টা নং ৬৫৫ (অরিবা) ১৯২১/২০৬০ (অনৌবা), দাগ নং ১২৫১/১৪২৪, এরিয়া ০.১২৫৫ হেক্তর চাওবা লৌফম অসিগী পাট্টাদারীনি ৱাংখেম মেম্মা দেবী অসি লৈখিদ্রে। মরম অসিনা মহাক্কী মশুনুপা ৱাংখেম রঞ্জিৎ সিংহ পীং ভৈগ্য সিংহ সাং অথোকপম মখা লৈকাই হায়না নামা পানবীরো হায়না মথক্কী কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Th. Shantikeshwar Singh**
Assistent Survey & Settlement Officer/VIII

HL-P/4642/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST (CENTRAL)**

*Ref:- Mut. Case No. 2087/SDC/IW(C) 16/10/2017*

Khuraijam (O) Ibemhal Devi W/o (L) Kh. Mani Singh of Sagolband Sapam Leikai.
........ Petitioner

-Vs-

Late Khuraijam Mani Singh S/o (L) Kh. Gopal Singh of Sagolband Sapam Leikai.
.......O.P. Party

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Imphal, the 18/10/2017

Under the Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃপাট্টাদার Khuraijam Mani Singh পীং (L) Kh. Gopal Singh সাং Sagolband Sapam Leikai গী মীংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 85-Sagolband গী অনৌবা পট্টা নং 614 অরিবা পট্টা নং 378 দাগ নং .5008 অমসুং এরিয়ানা 0.0500 (হেক্তর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি Khuraijam (O) Ibemhal Devi অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central)

HL-P/4640/10

**IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR :**
**BISHNUPUR**

*Ref:- Mut. Case No. 430/SDC/Bishnupur, 2017*

Meishnam Kiran Singh S/o (L) M. Ibohal Singh of Keishampat Leimajam Leikai, Imphal.
-Petitioner

-Vs-

Yengkhom Ningol Rabani Devi D/o (L) Lilando Singh of Keishampat Leimajam Leikai.
-O.P.

**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**

Bishnupur, the 16th Oct., 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Yengkhom Ningol Rabani Devi D/o Late Y. Lilando Singh of Keishampat Leimajam Leikai, Imphal দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 37/136 (অরিবা)। 246/806 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 1578/1728 গী 1.25 চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার অসি মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**
Bishnupur

HL-P/2900/19